# বার্দ ফ্লু

ডাঃ সরাংথেম জেস্মারাণী



bird_flu_disposal




bird_flu_symptoms



bird_flu_layong

**বার্দ ফ্লু** নৎত্রগা এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জা হায়না খঙনরিবা লায়না মখল অসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। বার্দ ফ্লু থোকহল্লিবা ভাইরসি মখল য়াম্মী। খরা অমদি মীওইবদা অকায়বা পীদে অদুবু ভাইরস খরা হায়বদি $H_5N_1$ অমদি $H_7N_9$ দি মীওইবদা হেন্না শাথিবা মওংদা লায়না শন্দোরকই। ইহান হান্না বার্দ ফ্লুগী লায়ওংসি চাইনাগী গ্বাংজৌ প্রোভিন্সতা য়াম্না শাথিরবা মহীক মখল $H_5N_1$ ভাইরসসি য়ূমদা য়োকপা কাঙঙাদগী আইসোলেট তৌই। ইন্দিয়াদনা বার্দ ফ্লুসি ইহান হান্না মহারাষ্ট্রগী ননদুবার দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুৱারী ১৬ তা থোকপা হৌরকই।

বার্দ ফ্লু থোকহল্লিবা মহীকশিংসি লমলক্কী উচেকশিংদা মশাদা য়াওরগা লৈবনা মখোয়না য়ূমদা য়োক্লিবা য়েন ঙানুশিংগী মচিঞ্জাক অমদি ঈশিংদা কন্টামিনেট তৌদুনা য়েন ঙানুশিংনা চাশিন্দুনা লায়নাসি শন্দোরকই। মসিদসু নত্তনা মহীক চেল্লবা উচেকশিংনা মফম অমদগী মফম অমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা নৎত্রগা অনাবা য়েন ঙানুশিং পুবা গাড়ীদা লৈহৌরিবা মহীকশিংসি মফম অমদগী অমদা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাঙই। মণিপুরদসু ইহান হান্না কুমজা ২০০৭ কী জুলাই ৭ তা বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি ইম্ফাল ইষ্টকী চীংমৈরোংদগী শন্দোরকই। মসিদা নুমিৎ ৩ নিগী মনুংদা য়েন ১৪৪ গী মনুংদা য়েন ১৩২ শিরি। মসিগী মতুং ইকুই কুইদ্রিবদা কুমজা ২০১৫ গী এপ্রিল থাদা অমুক আই সি এ আর লম্ফেলদগীসু লায়নাসি হৌরকখি।

বার্দ ফ্লু লায়নাসি শন্দোরকপগী মখল কয়া অমা লৈ। মখোয়শিংদু মখাদা থমজরি ঃ-

১) অনাবা য়েন ঙানুশিংগী মথি-ময়ুংদগী লায়নাসি থোকহল্লিবা মহীক কয়া অমনা নাদবা য়েন ঙানুশিংদা শন্দোক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

২) লম অমদগী অমদা কোয়পাই পাইদুনা লৈবা ঈশিংদা চাক্তাবা লমলক্কী উচেকশিং মপূং ওইনা লম ঙানুশিং অসি লায়না অসি নাগন্দ্রগসু লায়না অসিবু থোকহল্লিবা মহীকশিং মশাদা য়াওদুনা পুবা উচেকশিংনি। মখোয়না হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা শম্নরুবদগী য়ূমদা য়োকপা য়েন ঙানুশিং অসিদা বার্দ ফ্লু নাহল্লকই।

৩) য়েন ঙানুগী মচিঞ্জাকশিং, ফার্মগী মপোৎ মচৈ, গাড়ীনা চীংবদসু মহীক অসি শন্দোক্তুনা লায়না অসি নাদবা মফমশিংদা নাহল্লি।

৪) অনাবা য়েন ঙানুশিংগী ফার্মশিংদা চৎলুবা মীশিংগী মফি মরোলশিংদা মহীক অসি পল্লক্তুনা মসিনা অতোপ্পা নাদবা য়েন ঙানুগী ফার্মশিংদা চঙলুবদা মহীকশিংসি শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

৫) লায়না অসি লায়েংবদগী ফরক্লবা য়েন ঙানুশিংদসু মতম শাংনা হায়বদি থা অহুম ফাওবা মহীকসি লৈদুনা মহীক চেনবা উচেক ওইদুনা লৈ। অসিগুম্বা মফম অসিদগী অতোপ্পা মফম অমদা য়েরুম, য়েনাও, মশা ওইনা পুবদা মহীক অসি লোইনরক্তুনা লায়নাসি শন্দোরকই।

৬) অহিংবা য়েন ঙানু য়োনফমশিং অসি লায়না অসিবু শন্দোক্লবগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফম অমসু ওইরি।

**বার্দ ফ্লুগী লায়ওং ঃ-**

বার্দ ফ্লুগী লায়ওংসি অতোপ্পা লায়নাগী লায়ওংশিংগা চমম্নবা থোক্তবদি নত্তে অদুবু ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি তোঙানবা লায়ওং ওইহৌরগদি ঙন্না লায়নাসিদগী চেকশিলহৌবা ঙমগনি।

লায়নাসিগী লায়ওংসি মখল য়াম্মী। মসিদা অতোপ্পা লায়ওং হায়বদি অতোপ্পা লায়না লৈরম্বা য়াওরকপা, য়েন ঙানুশিংগী মশাগী চহী, মখোয়না লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম অমদি লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরসকী সবটাইপশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি।

খরা শাথিবা মওংদা ওইরগদি লায়নাসি লায়ওং ইখঙ খঙহৌদনা লায়ওং উৎত্তনা পাক্তক্লনা শিবা য়াওই অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরা হায়বা তারগদি ঃ-

- ⏭ মকোক, মীৎপান, মত্রোক, মখোঙ পোল্লকপা
- ⏭ মশা শোন্থরকপা
- ⏭ য়েনগী মত্রোক অমদি মখোঙ শংজিল্লকপা
- ⏭ মরুম কোকপগী চাং হন্থরকপা
- ⏭ মরুমগী মকুদু পাথরকপা
- ⏭ ঈশিং ওইনা মখোঙ হামথরকপা
- ⏭ স্বর হোনবা ৱারকপা
- ⏭ চানিং থক্লিংদবা
- ⏭ মখোঙ পঙথরকপা

**লায়নাসি খরা হন্থবা মওংদদি-**

- ⏭ লোক খুবা, নাতোন মহী চেনবা
- ⏭ মমায় পোমখৎপা
- ⏭ নর্বকী লায়েং উরকপা
- ⏭ ডাইরিয়া তৌবা

বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি অনাবা য়েন ঙানুদগী মীওইবদা লৌনৈ অদুবু অনাবা মীদগী অতোপ্পা মী অমদদি লৌনদে। বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি মীওইবদা লৌনবা মতমদা মহীক চল্লবা মীদু শিবা ফাওবা য়াওই।

শাথিবা মওংগী অনাবদদি শিবগী চাংসি চাদা ৯০ দগী ১০০ ফাওবা ওই অদুগা খরা হন্থবা মওংগী লায়না অসিদদি শিবগী চাং থোইনা লৈতে। অদুবু কিনিংঙাই ওইরিবদি হন্থবা মওংগী লায়না থোকহল্লিবা মহিক অসিনা থা তরুক্কী মনুংদা শাথিবা মওংগী লায়না থোকহনবা মহীক্কী মপাঙ্গল লাক্তুনা শাথিনা অমাং অতা থোকহনবগী থৌদোক কয়া অমগী রিপোর্ট লৈরি।

**ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

মীয়াম্না মরু ওইনা য়েন ঙানু লোইবিরিবশিংনা মতম পূম্নমক্তা মশাগী য়েন ঙানুশিংগী মরক্তা বার্দ ফ্লু অসি নাবগী চিংনবা লৈব্রা হায়বদু কুপ্না শেন্নবীবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা চিংনবা য়াবা হেক য়াওরকপগা খুদক্তা অনাবশিংদু তোঙান্না মফম চাবা য়েংলগা থম্বীগনি অমদি মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংগা তান্নদুনা অমদি খুদক্তা থেংনবা ঙম্নবা মীকুপ নাহুম শেন্নদুনা লৈনবা হোৎনবীগনি।

লায়না অসিগী লায়চৎসি খুদক্তা থোরক্তুনা য়েন ঙানু কয়ামরুম শিবা তারগদি লৈহৌরিবা য়েন ঙানুশিং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা য়েন ঙানুশিং খুদক্তা হাৎতোকপীরগা মফম চানা ফুম্বীবা নৎত্রগা মৈ থাদোকপীগনি।

- অসিগুম্বা মতমসি য়ৌরক্লগদি য়েন ঙানুশিং মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবা য়াদে।

- য়েন ঙানুশিংনা লৈরম্লিবা মকোনশিংদু ডিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা শেংদোকপীগনি। মসিনা মহীক্কী চাং হন্থহল্লি।


- লায়না অসিবু শন্দোরক্লিবা মফমদু নীংথিনা অখঙ অহৈশিংগা তানদুনা খঙদোক্লগা মাগী ইনফেক্সন তৌরকপগী মফমশিং খঙদোকপীবা দরকার ওই।

মফমসিদদি টিকা থাবগী খুদোংচাবা লৈতবনিনা চেকশিন্না লু নান্না য়েন ঙানুশিংগী মকোনশিং থম্বীগনি অমদি অতোপ্পা উচেক ৱায়াশিং চঙলক্তনবা হোৎনবীগনি। খ্বাইদগী চেকশিনবীগদবদি য়েন ঙানু শেন্নবীরিবা মপুশিংদা মখোয়না শেৎ চারিবা ফিরোলশিংদু লু নান্না শেৎপীগনি অমদি মকোন মনুংদা তোংলগা চঙগদৌরিবা খোঙউপতু ডিসইনফেক্টনতা লুপ্লগা চঙবীগনি।

# ঙা য়োল্লিবা মীওইশিংনা ঙা লৈবা লাকপা মীওইশিংদা নমথাক তৌবা

ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ





**ঙা** য়োনবী মীওইশিংনা ঙা লৈবা লাকপা মীওইশিংদা নমথাক তৌবা হায়বসি য়াম্না তোয়না থেংনবা থৌদোক অমনি। ঙা য়োন্নবগী অরূম্বা ওনবা মতমদা অরূম্বা শুদনা পীবা, ঙা য়োনফমদা মচু কয়াগী মঙাল শীজিন্নদুনা ঙাবু তগৎ তগৎ তেক্লা উহনবা, পুমথরবা হায়বদি মশা নারবা ঙাগী মতোংদা ঈ তৈশিন্দুনা তগৎ তগৎ তেকপা ঙানি হায়জিন্দুনা য়োনবা, মমল হোংবা ঙাশিংবু মখোয়গা হায়রপ মান্নবা মমল তাংবা ঙানি হায়জিন্দুনা মমল ৱাংনা য়োনবা অসিনচিংবা কয়া ঐখোয়না কৈথেলদা তোয়না থেংনৈ।

ঙা য়োনফমদা চুম্নগী বল্ব নৎত্রগা ট্যুব লাইট শীজিন্নরবদি ঙানা শিরবা মতুংদা মতম খরতমক তগৎ তগৎ তেক্লা উবা ফংগনি। নুমিৎ নীনি হুমনি থম্লবা ঙাশিংদদি মচু শিথগনি অমদি তগৎ তগৎ তেক্লা উররোই। অদুবু চানবা মচুগী মঙাল শীজিন্নরবদি তগৎ তগৎ তেকনা উহনবা মরম্না য়োনবা নুংঙাইগনি। চুম্নগী ৱাট ৬০ গী নৎত্রগা ৱাট ১০০ গী বল্বশিংদা কোমলা মচুগী মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা চেরংনা য়োমশিন্দুনা ঙাংলি ঙাংলি তৌবা কোমলা মচু থোকহন্দুনা ঙাগী মথক্তা ফিট অমা মখায়দগী অনী ফাওবা ৱাংনা থম্লগা ঙাশিং অদুবু তগৎ তগৎ তেক্লা উহল্লি। হায়রিবা থৌওং অসি অগরটালাগী গোল বজার অমসুং তুলশি পযি বজারদা চহী ২০ গী মমাঙদগী তৌদুনা লাক্লি। ঙাংলি ঙাংলি তৌবা কোমলা মচুগী মঙাল অসিনা অয়াম্বা ঙাগী শীজিন্নে। তৌইগুম্বসুং হিলশাগী ওইনদি অঙৌবা মচুগী মঙাল শীজিন্নে। অদুগা খজিংগীনা অশংবা মচুগী মঙাল ওইনা শীজিন্নে।

ঙা য়োল্লিবা মীওইশিংনা ঙাগী অরূম্বা ওনবা মতমদা থৌওং কয়া শীজিন্নদুনা ঙা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙাগী অরূম্বা অদু মখোয়না হায়নরিবা অরূম্বদগী ৱাৎনা পীননবা হোৎনবা কয়া থেংনৈ। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা থৌওং অসি ঙা য়োল্লিবা মীওই অদুগী হৈশিংবগী মখা য়াম্না পোল্লি।

ঙা কক্তুনা থম্বা মতমদনা ঙাগী ঈ তৈশিন্দুনা ঈ থোক্লিবা ঙা মালহন্দুনা মশা তেক্লিবা ঙানি হায়জিন্দুনা য়োনবসু ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনৈ অমদি ঙা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা মশা নারবা ঙা অমসুং শিবা কুইদ্রিবা ঙাগা অনিসিগী খেন্নবসি মমুৎ তানা খঙনদে। মশা নারবা ঙাদি ঐখোয়গী খূৎশানা নমদুনা য়েংবদা পেৎকনি অমদি থাদোক্লবা মতুংদা খূৎনা নমলুবগী কুৎশিনবদু হন্দোরকপদা মতম কুইনা চঙগনি। তৌইগুম্বসুং মশা নাদ্রিবা ঙাদি মশাদু মেৎপদা কনগনি অমদি খূৎশানা নমদুনা য়েংবা মতমদা কুৎশল্লুবদগী হন্দোরকপদা মতম চঙলোই।

পেংবা-থরাক অমদি ঙাতোন-খাবক হায়রিবা ঙাশিং অসি মণিপুরগী অহল-লমনশিংনা য়াম্না পাম্না চানরম্বা ঙাশিংনি। পেংবা অসি ঐখোয়গী মণিপুরগী ঈশিংশিংদগী মাঙলুরবা ঙানি। তৌইগুম্বসুং মণিপুরগী ঙা য়োকপীরিবা ঙামী ইচিল ইনাওশিংনা ফজনা য়োকপীদুনা অমুক হিংগৎহনবতা নত্তনা মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লে। মপান্দগী পুশিল্লকপা পেংবাগা খরা খজিক মান্নবা ঙাবু মপান লমগী পেংবানি হায়জিন্দুনা য়োনবসু তোয়না থেংনজে।

মণিপুরদা ফংলিবা ঙাতোন নৎত্রগা খাবক হায়বা ঙা অসি অহল-লমনশিংনা ঙা অমখক্তগী মমিং ওইনা হায়নরমদে মশক মান্নবা ঙা খরগী পীক্লিবা খূৎশামুক চাওবা ঙামখৈবু ঙাতোন অদুগা খরা চাওবা মপী ফারবা ঙাশিংবুনা খাবক হায়নরম্মী। তৌইগুম্বসুং মপান্দগী মচা ওইনা পুশিল্লক্তুনা ঙাতোন নৎত্রগা খাবক্কা খরা খজিক মান্নবা ঙাশিংবু মণিপুরগী পুখ্রিশিংদা য়োক্তুনা ঙাতোন নৎত্রগা খাবকনি হায়না য়োন্নরি। চহী অমগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাওনা শিনবা ঙাগী মেলাদা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাতোন/খাবক অসি কিলো অমদা লুপা ৬০০ তগী ৮০০ ফাওবদা য়োন্নৈ। হায়রিবা ঙাশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা য়োনবা ওইরবদি কিলো অমদা শুপ্নগী লুপা ১৫০ দগী ২০০ ফাওবখক্তমক শিংকনি অদুবু খঙজদবা মীওই কয়াদা ঙাতোন-খাবকনি হায়জিন্দুনা মমল ৱাংনা য়োনখিবা অসি নিঙোল চাক্কৌবগী ওইনা শিনবা ঙাগী মেলাদসু থেংনজে। হায়রিবা থৌওংশিং অসি ঙা লৈবা লাকপা অহল-লমনশিংনদি ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং ঙা লৈবা লাক্লিবা মীওইশিং অসিদি নহানা অয়াম্বনি। মরম অদুনা ঙা য়োল্লিবা মীওইশিংনা নমথাক তৌবগী খুদোংচাবা অসি ইরায় লায়না তৌই। মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি ঙা লৈরগা চারিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মরম অদুনা মুন্না খন্থরগা ঙা লৈরসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## নিংথৌ ওইনিংদবা কনাবু লৈবগে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মমাঙঙৈ** নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈদা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মীচং খোম্নবদা লৈবাক ঈরাং হৌবা, লৈবাক কাংখোং চাইবা, মীখা পোনবা লৈবাক মশীং খঙলমদে। কুমজা ১৮১৯ দগী ১৮২৫ ফাওবদা থোকখিবা চহী ৭ খুন্তাকপা অসিসু নিংথৌ মুন্নবগী ফলনি। মদুগী মমাঙ কুমজা ১৭০৯-১৭৪৫ এ দিদা নিংথৌ গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) গী মতমদা ইরোইশেম্বদগী ষণ শেনবা চাউবা কৌবা অমগী নুপীগী হাক্তক্তগী কায়রকখিবা ময়াম অদুনা পামহৈবনা থুপখ্রবদা মৈত্রবাক অসিগী নিংথৌ মচাশিং অমগা অমগা য়াম্না নুংশিনদবা হৌরকখি।

মতম অদুদা পামহৈবগী হেক মতুংদা সাই ময়াম লাকখিবনি। অহানবা নিংথৌনা চিন্টসাইনা কুমজা ১৭৪৮ গী মে থাদা ওইখি। কুমজা ১৮৩৪-১৮৪৪ দা মশাগী চহী ২ খক্তা ঙাইরিবা গম্ভীরসিংহগী মচা ইবুংঙো নিংথেম পীশক মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ওইখি। মতম অদুদা চন্দ্রকৃতি য়াম্না অঙাং ওইনা মখুরা নরসিংহনা লৈবাক্কী থৌরম থৌদা অপূম্বা পুরম্মী। মদুসু মমা ইবেম্মা কুমুদিনিনা সিংহাসনগী খনবদা নরসিংহ হাৎনবা মীনাই নোবিন নেক্তুনা হোৎনবদা শিহৌদবদগী কিদুনা কছার তানা চেনখিদুনা কুমজা ১৮৪৪ দা নরসিংহনা নিংথৌ ওইরম্মী। কুমজা ১৮৫০ দগী মশাগী চহী ১৯ শুবদা চন্দ্রকৃতি অমুক হন্না কুমজা ১৮৮৬ ফাওবা নিংথৌ অমুক ওইরম্মী। মসিদগী বৃটিশনা মণিপুরবু মপুং ফানা লৌশিনবা অসি চন্দ্রকৃতি মহারাজ থুপখ্রবদা মচা ইবুংঙো সুরচন্দ্রনা কুমজা ১৮৮৬-১৮৯০ ফাওবদা মমা তিন্নদবা মচাশিংগী মরক্তা ৱাথোক কয়া লাক্তুনা অঙৌসনা অমদি জিলাঙম্বনা লান হৌরকপদা সুরচন্দ্র কোলকটাদা চেনখ্রবদা কুল্লচন্দ্রনা নিংথৌ ওইখি। মসিদা নিংতম্বা পুরা মাঙবগা লোয়ননা থাঙ্গাল জেনরেল অমদি য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ ফাঁসি তৌদুনা কুমজা ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৩ দা সহিদ মিনর লৈরিবা মফমসিদা হাৎখিবনি। অসুম্না নিংথৌ খুভম মুন্নবদা লৈবাক কাংখোং চাইবা মীখা পোনবা থায়নদগী চৎনরকই। মসিগী মরুদি নিংথৌনা নুপী য়াম্না লোনবা, নুপীশিংগী মরক্তা মাগী মাগী মচাবু নিংথৌ ওইন্নিংবা অসিনা মরুনি। নিংথৌগী লৈবাক্তি মীচম অমনা কল্লি থৌই, হৈরে, শিংলে হায়দুনা নিংথৌ খুভমগী আশা তৌরুগা য়াবা নত্তে। মসিদি ঈদগী ঈদা লাকপা পারি পুরিদা থম্বা চৎনরোলনি। মসিনা নিংথৌ পানবদা মীখা পোন্নবগী মরমসু ওইখি। কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা তিল্লবদা কুমজা ১৯৫০ দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুদুনা লমদম অসিসু দিমোক্রেসি চৎপা লমদম ওইখি। মতম অদুদা ভোট তৌদ্রিঙৈদা এফ এফ পিয়রসননা সি এম ওইখি। মথংদা পার্টি সি ষ্টেট ওইনা লৈবা এম কে প্রিয়োবত্তনা সি এম ওইরম্মী অসুম্না মথং মথং লাকপনা সি এম মুন্নদুনা মীতৈ, মুসলিম অমদি চীংমীনা পায়দুনা লাকপনি। হৌজিকসু লৈবাক্কী ঈরাং অয়াম্বদি লুচিংবা মুন্নবা, অমনা লুচিংবা ওইখ্রগা অমনা খল্লি মানা ঐঙোন্দগী লাইহিরিক হৈবসু নত্তে, শিংবসু নত্তে হায়দুনা লুচিংবা শিন্নবা মীচং খোম্বা অসি অসুম চৎনদুনা লৈরিবনি। মমাঙঙৈদা ওইরম্বগা হৌজিক্কা খেন্নবা হায়ববু হৌজিক্কীনা মীয়াম মরক্তগী মীয়াম্না য়াবা খন্দুনা সি এম ওইনীংবা লৈরবসু, মতিক য়াম্না চারবসু, মীয়াম্নবু য়াদ্রবা মতিক চাবদু কান্নদে। মহাক লুচিংবা ওইবা য়ানি-য়ারোই হায়বসি মীয়ামগী মখূৎতা লোইনা লৈরে। লুচিংবা ওইনীংবা মীওই কয়া মীখলদি থেংনবা ঙমদবা, মীখল থেংনফমসু লৈতবা, হৌজিক্কী মীখল থেংনদুনা লুচিংবা ওইরিবা কয়া অসিদি মহে মশীনদা, লৈবাক্কী আইন খঙবা ঙাক্তনি হায়না পংঙাঙ ঙাঙনবদগী লৈবাক ঈরাং হৌহল্লি। মসি মমাঙঙৈদা নিংথৌ খুভম শিনগদবগী লাল হৌবগা খেন্নবা করিসু লৈতে। মতিক চাবা সি এম লৈরবদি মণিপুরদগী অফস্পা অমদি আই এল পিগী ইশু অসি লায়না কোক্কনি হায়বা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়ানা লায়না হায়বদু সি এম মতিক চাদবদি ওইবা য়াই হায়রিবা ইশু অদুদা বেজ তৌবদি অকায়বা লৈ হায়না মীচম মীয়াম অমা ওইনা খল্লি।

মরমদি নাগালেন্দগী সি এমসু, জমু কাশ্মীরগী সি এমসিসু মতিক চাদবা ঙাক্তরা হংবা য়াই। অদুগা অমুক অফস্পা অমদি আই এল পিগী ইশু ঐখোয়দা শিন্নৌ খুদক্তা ঐখোয় লোইশিনগে হায়বা অসি লৈঙাক পায়নীংবনা ঙাওদুনা ঙাঙবা ঙাক্তনি। চহী ৪০/৫০ রোম অসিদা মীখল কয়ারক তৌখ্রে। মীখল ময়াদা কোংগ্রেস পার্টিসু ইশু অসিদা নৈনরগা ভোট অদুম খোম্মী। দল খুদিং মীখল ঙকয়াদা অফস্পা লৌথোক্তবা, ঙমখৈ কন্দবা কনা অমা ফাওবা য়াওখিদে। মীখল লোইরগা কাউনখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক মীখল কুইদ্রে, য়েংবা তাই। সেন্টর অমদি এন এস সি এন (আই-এম) গী অরোনবা এজেন্দা করম তৌগদৌরি। মসিদি শুকপন পন্নদে। ইশুশিং অসি সি এম ফত্তবরোমদা নৈনদুনা লৈরে। মসিগী হিদন এজেন্দা অসিদি মণিপুর কনগনি লাউরিবা লুচিংবশিং অসিসু হিদন ওইদুনা লৈরি।

লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ৬০ মক্না পাস তৌখ্রবা বিল ইন্থোক্তুনা থম্বা হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী মীশিং য়াম্বনা ৱারেপ লৌবগী চৎনবী কদায়দা থমখিবগে? লোক সভাদা মীশিং য়াম্বনা বিল পাস তৌবা য়াদবা লৈবরা? মীওই ৫৪৫ মক্না য়াদ্রবদি বিল অমতা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা এক্ট ওনবা য়াদব্রা? অদু ওইবা তারবদি ঐখোয়না চৎলিবা দিমোক্রেসি অসি করম্বা মখলগী দিমোক্রেসিনো? অদুদি মীখলসু ভোটর ১৮,০০০ লৈবদা মীওই তরুক লম্বা তৌবদা মীওই অমনা ভোটর ৭০০০ ফংবদা ভোট কাবা য়াদবরা? ভোট লোইনা ফংদ্রবদি মসিসু য়ারোইদ্রা? ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমদম অসি মনিন নাইহনবনি। লমদম অসিদা ইশু ময়াম লৈরিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু খন্থবীদে। চুড়াচান্দপুরদা লমদম অদুগী চীংগী ইচিন ইনাও ৯ গী অশিবা হকচাং অদুনা চহী অমা হেন্না লৈরিবা অসি সেন্টরনা করম করম্বা মীহুৎ থারক্তুনা য়ানবা পুরক্লবা করি ৱাফম থম্বীরবগে? মখোয়গী মীখলগী য়েংদুনা দল মপাঙ্গল কন্ননবা খুজিল থৌরাং কয়া পায়খৎপগী ৱারোলদি ঈ-পাউ অমদি টি ভিদা ওইনা শন্দোক্তুনা লৈরে। মণিপুর মচেৎ তানা কায়রবদা পার্টিগী মপাঙ্গলনা করি তৌগনি। অদুনা মসিবু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা ঐখোয়না তিল্লুবগী মহয় ওইগদৌরিব্রা? মীয়াম্না হংনরক্কনি মসিগী মরমদসু ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা খরা খন্থহন্নিংই।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি*
*ককচীং খুনৌ মখা হায়স্কুল*